# ঈ–পাউদা অপনবা লৈহন্দবা হায়বসি দেমোক্রেসিগী মগুননি ঃ প্রসিদেন্ট কোবিন্দ



*ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ১২ঃ*

মীয়াম্না ঈ–পাউ ফঙহনবদা অপনবা অমত্তা লৈহন্দবা হায়বসি দেমোক্রেসিগী মগুননি হায়বা ৱাফম থম্লদুনা ঙসি ইরাই নুমিৎতা প্রসিদেন্ট রামনাথ কোবিন্দনা হায়খ্রে।

মনিং মখা তম্বা অমসুং নীং তম্বগী ইহুল লৈবা লৈবাক অমগী মীয়ামগীদমক ঈ–পাউনা শক্তিনি। দেমোক্রেসি অমদা পাউ ওন্থোক্না য়ামনখ্রে হায়বা লৈতে। ইনফোর্মেসন ৱাৎপদগীদি ইনফোর্মেসন হেনবদা মতম পূন্নমক্তা ফৈ হায়না মহাক্না হায়খি।

ৱাফম অসিদা সেন্ট্রেল ইনফোর্মেসন কম্মিসনগী ১৩শুবা কনভেন্সন হৌদোক্লদুনা প্রসিদেন্ট কোবিন্দনা হায়খি, মখোয়বু মতৌ করন্না লৈঙাক্লিবগে হায়বদু খঙনবা মীয়ামগী হক লৈ। মীয়ামগী শেল মতৌ করন্না শীজিন্নৈ, মীয়ামগী অমসুং জাতিগী রিছোর্সশিং করম তৌরি, মীয়ামগী সার্ভিসশিং করন্না পীরি অমসুং মীয়ামগী থবকশিং অমসুং য়াইফ থৌরাংশিং করন্না পাঙথোক্লিবগে হায়বা খঙনবগী মীয়ামগী হক লৈ।

রাইট টু ইনফোর্মেসন (আরটিআই) হায়বসি মতোমখক নাইতোম লেপ্পুনা লৈবা অমা নত্তে হায়বা ৱাফম থম্লদুনা মসি ইন্দিয়ান দেমোক্রেসিবু মপাঙ্গল কনখৎহন্নবগী, গভর্ণান্সকী সিষ্টেমশিংদা ট্রান্সপরেসি লৈহন্নবগী অমসুং ঈ–পাউ খঙদুনা অচম্বা সিটিজেনশিংনা মখোয়গী ৱারেপশিং লৌবা ঙমহন্নবগী শক্তি শাগৎনবগী লোয়নন্না ঈ–পাউ খঙদুনা অপাম্বশিং খঞ্জনবা য়ানবগী শরুক অমনি হায়না মহাক্না হায়খি।

মসি পূন্নমক্কী মথক্তা ঈ–পাউ হায়বসি সিটিজেনশিংগা ষ্টেটকগী মরক্তা থাজনবগী সোসিয়েল কনষ্ট্রেক্ট অদু য়োকখৎনবনি। মসিদা নাকল অনীমক্না অমগা অমগা শোইদমক থাজনবা লৈগদবনি। মসিগা লোয়নন্না করপসন নৎত্রগা সিছোর্সশিং অরেম্বদা মাঙহনবগী থৌদোকশিং চেক তৌনবা পব্লিক রিছোর্সশিংবু মরম চুন্না শোইদনমক শীজিন্ননবা পাম্বে অমসুনি হায়না প্রসিদেন্টনা হায়খি।

মাইনিং ব্লোকশিং ই–ওক্সন ফজনা তৌনবা ইন্টর্নেট অমসুং দিজিটেল ইকোনোমি শীজিন্নরক্লে। মখোয় অসিনা গুদস অমসুং সার্ভিসশিং পব্লিক প্রোক্যুর্মেন্টকীদমক গভর্ণমেন্ট ই–মার্কেট নৎত্রগা জি ইএম পোর্টেল শেম্বদা মতেং পী। জন ধন একাউন্টশিং, অধার বেজ য়ুনিক আইদেন্টিটিস অমসুং মোবাইল ফোনশিংনা স্কিমশিংগী বেনিফিসরিশিংদা দাইরেক্ট বেঙ্ক ট্রান্সফরশিং তৌবা ঙমহল্লে হায়না মহাক্না হায়খি।

মহাক্কী মতুং ইন্না মসি করপসনগী মায়োক্তা অচৌবা পল অমা ওইনা থবক তৌরি। হায়রিবশিং অসি রাইট টু ইনফোর্মেসনবু হেন্না ইথিল পীরিবা সিটিজেন ইম্পৱরমেন্ট, সিটিজন এনএব্লিং অমসুং পব্লিক ইফিসিয়েন্সিগী শরুকশিংনি হায়না মহাক্না অরোইবদা ফোঙদোকখি।

# ফুল্লি ওর্গানিক সিক্কিমনা মকোক থোংবা য়ুএননা শৌগৎপা এৱার্দ ফংলে



*রোম, ওক্টোবর ১২ঃ*

ইন্দিয়াগী অহানবা মপুং ফানা ওর্গানিক ওইরবা ষ্টেট স্কিমনা ঙসি ইরাই নুমিৎতা য়ুএন–বেক এৱার্দ অমগী মকোক থোংবা প্রাইজ ফংখ্রে। ষ্টেট অসিগী পোলিসিশিংনা ফারমর ৬৭,০০০ হেনবদা কান্নবা পীখ্রে, টুরিজম চাওখৎহনখ্রে অমসুং অতৈ লৈবাকশিংদা তমজ নিংঙাই ওইরবা খুদম অমা পীখ্রে হায়না ওর্গাইজরশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

কেমিকেল ফর্টিলাইজরশিং অমদি পেষ্টিসাইটশিং শিজিন্নবা তোক্তুনা মদুগী মহুত্তা সষ্টেনেবল ওলটর্নেটিভশিংনা মহুৎ শিন্দুনা সিক্কিম অসি ২০১৬ দা মপুং ফানা ওর্গানিক ওইরে হায়না লাওথোকখি। সিক্কিমদা চত্থরিবা থবক অসিনা চামদা ১০০ ওর্গানিক ওইবা হায়বসি চুন্নগী ৱাখলনা শাবা মঙলান নৎতে মসি অশেংবমকনি হায়বদু উৎলে হায়না ফ্যুচর পোলিসি এৱার্দস অদু পুন্না শিনমিন্নরিবা ফুদ এন্দ এগ্রিকলচর ওর্গনাইজেসন (এফএও) গী দিপ্যুটি দাইরেক্তর জেনরেল মেরিয়া–হেলানা সেমেদোনা হায়খি।

হান্নদি এৱার্দ অসিনা পৃথিবীগী লৈমায়বু মরু কোকথোক্তুনা মরুভুমী ওইহল্লকপা, নুপীদা চত্থবা হিংশা, ন্যুক্লিয়র ৱিপন্স অমসুং সমুদ্রশিংবু পোলুসন থোকহনবগী মায়োক্তা থেংননবা পোলিসিশিং পীদুনা ইকাই খুন্নবা উৎলম্বনি। অদুবু চহী অসিগীদি এগ্রো ইকোলোজিগীদমক পীরি। মসিদা কেমিকেলশিং শিজিন্নবা থিংবা, মহৈ–মরোংগী অরেম অখাকশিংবু হার ওইনা শিজিন্নবা ফার্মশিংদা উপালশিং থাবা, লৈবাক্কী লৈহাও ফগৎহন্নবা ক্রোপ রোটেসন তৌবা অমসুং তিন কাংশিংদগী ঙাকথোকপা য়াওরি।

থৌরম অসিবু শিনমিন্নরিবা অতোপ্পা কো–ওর্গনাইজর ৱার্ল্ড ফ্যুচর কাউন্সিলগী মতুংইন্না কুমজা ২০১৪ দগী ২০১৭ ফাওবগী মনুংদা সিক্কিমদা লাকপা টুরিষ্টকী মশীং চাদা ৫০ হেনগৎখ্রে হায়খি।

মালেমগী অতোপ্পা লৈবাকশিংনা এগ্রো ইকোলোজিবু করম তৌনা মায় পাক্লা থবক পাঙথোকপা ঙম্বগে হায়বগী খুদম অমা সিক্কিমনা পীরে হায়না ৱার্ল্ড ফ্যুচর কাউন্সিলগী দাইরেক্তর আলেকজেন্দ্রা ৱান্দেলনা হায়খি।

ঐখোয়না থুনমক সষ্টেনেবল ফুদ সিষ্টেমশিংদা হেন্না–হেন্না হোং দোকপগী মথৌ তারে। ঐখোয়গী ফুদ সিষ্টেমশিংবু তুং কোইনা শিজিন্নবা য়ানবা অমসুং মসিদা পূন্নমক শুনা য়াওহনবদা এগ্রো ইকোলোজি হায়বসি খ্বাইদগী মরুওইবা ওই হায়না মহাক্না ই–মেলগী খুত্থাং দা থোমসন রোইটর্স ফাউন্দেসনদা হায়খি।

য়ু এন না শৌগৎপা এৱার্দ অসিগী অনীশুবা প্রাইজ অদু ব্রাজিল, দেনমার্ক অমসুং ইক্বেদরদা মচেৎ অহুম থোক্লা পীখি। ফেমিলি ফার্মশিংদগী স্কুল মিলশিংগী চিঙ্গাক লৈনবগী পোলিসি অমগীদমক ব্রাজিলদা মনা অসি পীখিবনি। দেনমার্ককীনা মীয়ামদা ওর্গানিক ফুদ হেন্না লৈবা ফংহন্নবগীথৌরাং অমা মায় পাকহনবদগীনি। অদুগা সিটিগী লমদা গার্দেনিংগী খোঙজং হেন্না কনখৎহনবগীদমক ইক্বেদরগী কোনুং ক্যুটোদা মনা অসি পীখিবনি হায়রি।

# তামিল নাদুগী চীফ মিনিষ্টরনা চত্থখি হায়বা করপসন সিবিআইবু থিজিনহন্নবা কোর্টনা ওর্দর তৌখ্রে

*চেন্নাই, ওক্টোবর ১২ঃ*

তামিল নাদুগী চীফ মিনিষ্টর ই পালানিস্বামীনা রোদ কন্ট্রেক্টশিং পীবদা চত্থে হায়বা করপসন অদু সিবিআইবু থিজিহন্নবা ঙসি মদ্রাজ হায় কোর্টনা ওর্দর তৌখ্রে।

দিএমকেগী ওর্গনাইজিং সেক্রেটরী আর এস ভারথিনা থাঙ্গৎখিবা ৱাকৎ অমগী মতাং দা দাইরেক্তোরেট ওফ ভিজিলেন্স এন্দ এন্টি– করপসন নৎত্রগা দিভিএসিনা পীবা রিপোর্ট অমসুং লৌখৎলকপা থবক্তা কোর্ট অসিনা পেন্দে হায়না মদ্রাজ হায় কোর্টনা হায়খি।

ৱাফম অদু ফোঙদোকপগা লোয়ননা কোর্ট অসিগী জষ্টিস এদি জগদিস চান্দিরানা চয়োল অমগী মনুংদা মরী লৈনবা দোক্যুমেন্ট পুন্নমক সিবিআইদা শিন্নখিনবা ভিজিলেন্স এজেন্সি অদুদা পাওতাক পীখি।



থা অহুম মতমগী মনুংদা সেন্টর এজেন্সি অদুনা অহৌবগী ইনভেষ্টিগেসন অদু লোইশিনগদবনি করিগুম্বা করপসন তৌখি হায়বগী অহানবা খুদম চাংদম অমা ফংবা তারবদি এজেন্সি অসিনা থিজিনবগী থবক অদু মখা চত্থগদবনি হায়খি।

লম্বী শেম্বগী থিকাশিং পীবদা শেরান তুরানবা অমসুং শেঞ্জা থুমজা তৌখি হায়না দিএমকেনা মরাল শিখি। পার্টি অসিনা চীফ মিনিষ্টর পালানিস্বামীবু মাগী শক্তি লান্না শিজিন্নবা অমসুং মহাক্কী মরী মতাশিং লোয়ননা বেনামীশিংদা লুপা ক্রোর ৩,৫০০গী প্রোজেক্টশিং পী হায়না মরাল শিখি।

অশেংবমক্তি পেট্রিস্নরশিংনা অহানবা পাম্লম্লিবসি কোর্টনা দিভিএসিদা প্রিলিমিনারি ইনক্বারি অমা তৌহন্নবা অমসুং এফআইআর অমা রেজিষ্টার তৌহন্নবা দিভিএসিদা দাইরেক্তিভ পীবনি। দিএমকেগী ওর্গনাইজিং সেক্রেটরী আর এস ভারথিনা জুন থাদা মহাক্কী ৱাকৎ অদু থাঙ্গৎখিবনি।

মদুগী তুংদা মহাক্না কোন্না দিভিএসসি হায়বসি টেক্নিকেলগী মীৎয়েংদা চীফ মিনিষ্টরগী মখাদা লৈ হায়বা ৱাফম থম্লদুনা থিজিনবগী থবক অদু মনিং তম্বা ইনভেষ্টিগেটিং টিম অমদা ট্রান্সফার তৌনবা অনৌবা ৱাকৎ অমা কোর্টতা থাঙ্গৎখিবনি।

ৱাকৎ অদুগী মতাংদা চীফ মিনিষ্টর অসিগী মায়োক্তা দিভিএসসিনা চত্থখিবা নোংম–নোংমগী ওইবা প্রিলিমিনারি ইনভেষ্টিগেসন অদুগী রিপোর্ট অমা থাগৎনবা সেপ্টেম্বর ১২ দা কোর্টনা দিভিএসসিদা দিরেক্তিভ পীখি। ওক্তোবর ৯ দা চত্থবা হিয়ারিং দা পেট্রিস্নর অসিগী কাউন্সেলনা ফোঙদোকপদা দিভিএসসিনা হেক হৌবদগী চীফ মিনিষ্টরবু শৌগৎপা মরন্না এজেন্সি অসিনা মখোয়দা থাজবা লৈত্রে হায়খি।

অদুবু মখোয়গী মথক্তা শিরিবা মরাল য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা দিভিএসসিগীদমক কোর্টতা থোক্তুনা লেপ্লিবা এদভোকেট জেনরেলনা লৈরিবা প্রোসিদ্যুরশিংগী মতুং ইন্না ষ্টেট ভিজিলেন্স এজেন্সিনা প্রিলিমিনারি ইন্ক্বারি অমা চত্থখ্রে অমসুং মদুগী ফাইন্দিংশিং অদু ভিজিলেন্স কম্মিস্নরদা থাগৎখ্রে হায়খি।

হায়ৱে দিপার্টমেন্ট অসিদি চীফ মিনিষ্টরগী মখাদা লৈবা ওইরবসু দিভিএসসিদি ভিজিলেন্স কম্মিস্নরগী এদমিনিষ্ট্রেসনগী মখাদা ইন্দিপেন্দেন্ট ওথোরিটি অমনি হায়নসু মহাক্না কোর্টতা থমখি।

# চিনা মায়োক্লনবা ফাইভ আইজ ইন্টিলিজেন্স এলায়েন্সনা কোলিসন অমা শাগৎলি



*বর্লিন, ওক্টোবর ১২ঃ*

চহী অসি হেক হৌরকপদগী মালেমগী খ্বাইদগী মাঙজিল থাবা ইন্টিলিজেন্স–সিয়রিং নেটৱার্ক অমগী লৈবাক ৫না অতৈ ৱাখল মান্নবা লৈবাকশিংগা লোয়ননা চিনাগী ফোরেন এক্টিভিটিজশিং গী মতাংদা ক্লাসিফাই ইনফোর্মেসন পীথোক–পীশিন তৌবা হৌখ্রে হায়না কোনুং ৪গী ওফিসিয়েল ৭ না ফোঙদোকখ্রে।

অষ্ট্রেলিয়া, বৃটেন, কানাদা, ন্যু জিলেন্দ অমসুং য়ুনাইটেদ ষ্টেট য়াওরিবা 'ফাইভ আইজ এলায়েন্স' না চিনানা লৈবাক কয়াদা থবক ইং খাং চত্থবা হেনগৎলক্লিবা অমসুং অচৌবা শেনফমশিং থাদরক্লিবা অসিগী মায়োক্তা ইন্টরনেসনেল ফ্রন্ট অমা পাকথোক–চাওথোহল্লকপগী খুদম অমনা জর্মনি অমসুং জ পানগুম্বা লৈবাকশিংদা তেংবাংনবা হেনগৎহনখ্রে।

ৱারী শান্নবা অদু য়াম্না মরুওইবা মরমদগী মশক মমিং তাক্তনা ৱা ঙাং খিবা ওফিসিয়েল ৭ অদুগী মনুংদগী খরনা তেংবাংনবা হেনগৎহনখিবা অদু ফোরেন ইন্টফিয়ারেন্সকী অকক্নবা ইশু অসিগী মতাং দা 'ফাইভ আইজ গ্রুপ' অসিগী ইনফোর্মেল ওইনা পাকথোক–চাওথোকপা অমনি হায়খি।

মরুওইবা মীৎয়েংদি চিনাদা ওইরবসু খন্ন–নৈনখিবশিং অদুদা রুশিয়া অমসুং অতৈ লৈবাক খরগী মতাংদসু য়াওখি।

ঐখোয়গী এলায়েন্সশিংগা ৱাখল মান্নবা পার্টনরশিংগা খন্নখিবশিং অদু চিনানা ইন্টরনেসনেল ষ্ট্রেটেজিদা কন্না খোঙ থাংজিল্লক্লিবা অসিগী পাওখুম করন্না পীগনি হায়বগী মতাংদনি হৌজিক খন্ন–নৈনবা অসি তপ্না তপ্না মাঙলোমদা চঙশিল্লক্লি হায়না য়ুএস ওফিসিয়েল অমনা পাওগী এজেন্সি রোইটর্সতা হায়খি।

এদ–হোককী ওইবা খন্ন–নৈনবা অমা ওইনা হৌরকখিবা অদু হৌজিক্তি খ্বাইদগী ফবা খন্ন–নৈনবগী চৎনরোলদা হেন্না মরীক চুম্বা খন্ন–নৈনবা অমা ওইরক্লে। অমগা অমগগী মরক্তা তেংবাংনবগীদমক খুদোংচাবশিং হেনগৎহল্লগনি হায়খি। জর্মনি অমসুং জপান য়াওনা মসিদা য়াওরিবা গভর্নমেন্ট পুন্নমক্না মোত ফোঙদোকউ হায়বা য়াখিদে।

চিনানা ফোরেন গভর্নমেন্টশিংদা ইথিল পীনবা হোৎনৈ অমসুং মখোয়গী ইনভেষ্টমেন্টশিং পোলিটিকেলি পান্দম থম্বনি হায়না শীরক্লিবা মরালশিং অদু লৈবাক অসিনা য়াখিদে। চিনাগা মায়োক্লবদা মতোমতমক চৎনবা থৌরাং তৌরি হায়বা য়ুএস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পতগী ইঙ্গিৎশিং ফনা লৈদুনসু ফাইভ আইজ নেটৱার্ককী হেনগৎলক্লিবা কো–ওর্দিনেসন অসিনা তাক্লিবদি ট্রম্প এদমিনিষ্ট্রেসন মেম্বরশিংনা বৈজিং মায়োক্তা থবক চত্থনবা ইনফোর্মেল কোলিসন অমা পুনশিন্নবা মরুমদা থবক তৌরি হায়বনি।

ফাইভ আইজ ইন্টিলিজেন্স এলায়েন্স অসি চিনানা য়ুরোপকী লৈবাকশিংবু ৱাশিংটনদগী লাপথোহল্লক্নবা অমসুং বৈজিং লোমদা হেন্না নকশিহন্নবা হোৎনরকপদা হান্নবা আশা মাঙথরকখ্রবা চিনাগী মথক্তা অতোপ্পা চৈফু অমা ওইরি।

সোভিয়েটকী অকনবা শাহুম মায়োক্লনবা মালেমগী অনীশুবা লাঞ্জাও মতুংদা ইন্টিলিজেন্স এলায়েন্স অসি শেমখিবনি। হন্দক্কী এলায়েন্স অসিগী মীফমশিং দা নেটৱার্ক অসিগী মপান্দদা লৈবা জর্মনি, জপান নৎত্রগা অতৈ লৈবাকশিং বার্তন তৌখিব্রা হায়বা কনাগুম্বা অমত্তনা ফোঙদোকখিদে।

অদুবু আগষ্টকী অথেংবদা অষ্ট্রেলিয়াগী গোল্ড কোষ্টতা পাঙথোকখিবা ফাইভ আইজ মীফম অমগী মতুংদা থোকখিবা ৱারোল অমদা লৈবাকশিং অদুগা তেংবাংনবা হেনগৎলকপগী ইঙ্গিৎ পীখিবনি।

দিপ্লোমেটশিং, ইন্টিলিজেন্স ওফিসিয়েলশিং অমসুং হেদস ওফ গভর্নমেন্টকী মরক্তা ৱারী শান্নবগী মীফম কয়া চত্থখ্রে। ঐখোয় অনৌবা ৱার্ল্ড অমদা লৈরি হায়না চিনাগী ফোরেন এক্তিভিটিজশিং খন্ননবা হৌখিবা চহীদা অতৈ লৈবাক্কী কোনুং শিংদা পাক শন্না চৎখ্রবা ফাইভ আইজ কন্ট্রি অমগী মীওই অমনা হায়খি। ওথোরিটরিয়ান রেজিমশিং দগী খঙহৌদনা পীরকপা শাফুনা হেন্না তেংবাংনবা অমসুং ইন্টিলিজেন্স সিয়ারিংগী পাকথোক–চাওথোরকপা অমা তঙাইফহন্দে হায়না মীওই অসিনা হায়খি।

# আইএসআইগী মায়োক্তা ঙাঙখিবা পাকিষ্টান হায় কোর্ট জজ মফম লৌথোকখ্রে

*ইস্লামাবাদ, ওক্টোবর ১২ঃ*

পাকিষ্টানগী অঙকপা ফংনা শক্তি লৈরবা স্পাই এজেন্সি আইএসআই (ইন্টর–সার্ভিসেস ইন্টিলিজেন্স) কী মায়োক্তা অকনবা ৱা ঙাঙখিবদগীদমক হায় লেভেল কন্সটিট্যুসনেল বোদি অমনা মহাকপু মফম লৌথোক্লবা রিকমেন্দ তৌরকখ্রবা মতুংদা ঙরাং শগোলশেন নুমিৎতা লৈবাক অসিগী প্রসিদেন্ট আরিফ অলভিনা হায় কোর্ট জজ অমা মফম লৌথোকখ্রে।

ইন্টর–সার্ভিসেস ইন্টিলিজেন্সতা অতম্বা পান্দম থমদুনা ঙাঙখিবা মাগী ৱাথোক ওইনিংঙাই ওইবা ৱারোল অদুগী মতাংদা মিসকন্দক্টকী মরালদা কেস অমা মায়োক্লরিবা ইস্লামাবাদ হায় কোর্ট জষ্টিস সৌকট অজিজ সিদিক্যুইবু মফম লৌথোক্লবা সুপ্রিম জুদিসিয়েল কাউন্সিল (এসজেসি) না রিকমেন্দ তৌরকখিবনি।

জুলাই ২১ দা রাৱালপিন্দি দিষ্ট্রিক্ট বার এসোসিয়েসনদা ৱা ঙাঙবদা জষ্টিস সিদিক্যুইনা আইএসআইগী মীচং দা রাই তাহল্লক্লবা জজশিংগী পেনেল শেম্নবা জুদিসিয়েল প্রোসিদিংসতা সেক্রেট এজেন্সি অসিনা খুৎ থিংজিল্লি হায়খিবনি।

জজ অসিগী মায়োক্তা শীরিবা মরালশিং অদু ইস্লামাবাদ হায় কোর্টগী চীফ জষ্টিস অনৱার কান্সিনা ককথৎলকখ্রবগী তুংদা লৈবাক অসিগী আর্মিনা পাকিষ্টানগী চীফ জষ্টিসতা জজ অদুগী ৱাফমশিং অদু খঙজিন্নবা হায়জখি। মদুগী মতুংদা ৱাথোক অদু অৱাংবা থাক্কী কোর্টশিংগী জজশিংগী মায়োক্তা থাঙ্গৎলকপা ৱাকৎশিং ৱায়েলনবা বোদি ওইরিবা সুপ্রিম জুদিসিয়েল কাউন্সিলদা রিফর তৌখি।

চীফ জষ্টিস ওফ পাকিষ্টান মিয়া সাকিব নিসারনা লুচিংবা মেম্বর ৫ না শাবা সুপ্রিম জুদিসিয়েল কাউন্সিলগী বেঞ্চ অমনা কেস অদু হিয়ারিং চত্থখি। হিয়ারিং চত্থরবা তুংদা কাউন্সিল অদুনা জজ অদুগী লিচৎ অদু জজ অমগী হৌন–লোনচৎ নত্তে হায়না মহাকপু লৌথোক্লবা প্রাইম মিনিষ্টর ইমরান খানদা হায়রদুনা ঙরাং ৱারেপ অদু পীখিবনি।

লমায় ৩৯ পানবা কাউন্সিলগী ৱারেপ অদু জষ্টিস আসিফ সায়িদ খোসানা ইখি। মদুগী তুংদা কাউন্সিলগী রিকমেন্দেসনশিং অদু য়েংদুনা হায় কোর্ট জজ ওইবদগী সিদিক্যুইবু মফম লৌথোক্লবা প্রসিদেন্ট অলবিদা লো মিনিষ্ট্রিনা নোটিফিকেসন অমা থোকখি।

# উগন্দা লেন্দস্লাইদতা ৩৪ শীখ্রে

*কাম্পালা, ওক্টোবর ১২ঃ*

নোংপোক থংবা উগন্দাদা চেনবা তুরেল অমগী ঈশিংনা মদুগী তোরবানশিং নমখাইরকপদগী অথাবা লৈখোম লৈনাং অমসুং রোকশিংনা মীয়ামগী য়ুমশিংদা ফুজিল্লকপদা য়ামদ্রবদা মীওই ৩৪ শীখ্রে হায়না দিজাষ্টর ওফিসিয়েলশিংনা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

লৈবাক অসিগী বুদুদা দিষ্ট্রিক্টকী বুকালাসি টাউন্দদা ঙরাং শগোলশেন নুমিৎতা থোকখিবা খুদোংথিবা থৌদোক অদুদা শীখিবশিং অমসুং হিংহৌরবশিং থিনবা রেস্ক্যু টিমশিংনা অতেক–অকায় মরক্তা লৈবাক কোৎথোক্তুনা হোৎনরি। হৌজিকসু মশীং খঙদবা মীওইশিং থিবা খঙদনা লৈরি।

ঐনা হৌজিক মীওই ৩৪ শীরে হায়বদি চপ চানা হায়বা ঙম্মী, মীওই কয়া য়াম্না থিবা খঙদনা লৈরিবগে হায়বদু খঙদ্রিঙেদা ঐখোয়না চপ চাবা অপুনবা মশীং পীবা ঙমদ্রি হায়না উগন্দা রেদ ক্রোসকী ৱাঙাংলোয়নুপী ইরেনে নাকাসিটানা হায়খি।

ঙরাং শগোলশেন নুমিৎতা মহাক্না ৱাটসএপতা তুরেল অদুনা চেম্থরকখিবা লৈখোম লৈনাং মরক্তা মচেৎ মচেৎ তারবা অশীবা হকচাংগী শরুকশিংনা নপ্তুনা অমসুং য়ুংদুনা লৈবগী ইমেজশিং য়াওবা ফোটো অমা য়েংখি। হাকচাংশিং অদুগী খরদি মীয়াম্না য়েংবদা নুংঙাইতবদগী লফুগী মনা লানা কুপশিল্লি। মফম অদুদা লেপ্পা লৈতনা নোং কন্না চুথরকপদগী তুরেল অদুগী হৌরকফমরোমদা লৈবা তোরবানশিং অদু পোকখায়রকখিবনি।

# অন্ধ্র প্রদেশকী চীফ মিনিষ্টরনা লুপা ক্রোর লাখ ১গী তেংবাং পীবিনবা সেন্টরদা হায়জখ্রে

*অমরাবতি, ওক্টোবর ১২ঃ*

অন্ধ্র প্রদেশকী চীফ মিনিষ্টর চন্দ্রবাবু নাইদুনা ষ্টেট অসিগী ইনফ্রাষ্ট্রকচর শেমগৎনবগীদমক লুপা ক্রোর ১০৯,০২৭ গী তেংবাং অমা পীবিনবা সেন্টরদা হায়জখ্রে।

মচেৎ অনী থোক্লা খাইদোকখিবা মরমদগী অন্ধ্র প্রদেশনা মায়োক্ল হৌরিবা মাঙজবশিং অদু পল্লদুনা চীফ মিনিষ্টর অসিনা ১৫শুবা ফাইনান্স কম্মিসনগী মেম্বরশিংগা উন্নবা অমদা পেনেল অদুগী মমাঙদা রিপোর্ট অমা থমখি।

মহাক্না হায়খি, সেন্টর গভর্নমেন্টনা লুপা ক্রোর ২৫০০ পীনবা ৱাশকখিবনি। অদুবু লুপা ক্রোর ১৫০০ খক্তমক রিলিজ তৌরকখি। ১৯৭১ সেন্সসকী মতুংইন্না ষ্টেট অসিগী অপুনবা মীশিং অমসুং মখা তানা রিভিন্যু দিফিসিট গ্রান্টশিং লৈরিবা অমসুং মহৈ–মরোং লোকপা য়াখিদবগী দিজাষ্টর রিলিফকী খন্থবিরগা অন্ধ্র প্রদেশতা স্পিসিয়েল কেটেগোরি ষ্টেটস পীনবা চীফ মিনিষ্টর নাইদুনা ফাইনান্স কমিসনদা তকশিনখি।

ফাইনান্স কমিসিনগী চীয়ারমেন এনকে সিংহনা চীফ মিনিষ্টরবু হিরম খুদিংমক্তা ষ্টেট অসি চাওখৎহল্লকখ্রবা ওরিজিনেল সিইও অদুনি হায়না শিংথাখি।

## GAS TODAY

**MISAO GAS SERVICE**
Booking upto .......2/08/2018
Valid from ........... 6/07/2018
Stk .......................306
Timing........7.30 to 10.00 a.m

**KHUMBONG INDANE**
Booking upto .......25/8/2018
Valid from ........... 21/8/2018
Stk .................................306
SL. NO.........................100
Timing........7.30 to 10.30 a.m

**MAIBIA GAS MOIRANG**
Booking upto .......20/7/2018
SL. NO.......9201 upto 9700
Valid from ........... 16/7/2018
SL. NO........................9201
Stk .......................306
Timing........7am to 11.00 a.m

**K&K INDANE SERVICE**
Booking upto .......20/08/2018
Valid from ........... 16/8/2018
Stk .................................612
Timing........7.30 to 11.00 a.m
Rate.................. Rs.998.50

**NONGPOK SEKMAI INDANE**
Delivery Point-Charangpat
Booking upto .......01/09/2018
Stk .......................306
Timing........8.00 to 10.00 a.m

**BASHIKHONG INDANE**
Booking upto .......7/7/2018
Sl. No. 2660000
Valid from ........... 27/06/2018
Stk .................................306
Timing........7.00 to 10.00 a.m

**HEIROK GAS**
Booking uto .......8/8/2018
Valid from ........... 8/7/2018
Serial. .....................212525
Stk ...........................306
Timing........7.30 to 11.00 a.m

**R & H GAS**
Booking upto .......21/06/2018
Valid from ........... 8/06/2018
Stk .................................306
Timing........7.30 to 10.00 a.m

**KANGLEI GAS OINAM**
Booking upto .......10/08/2018
Valid from ........... 8/08/2018
Stk .................................306
Timing........7.00 to 10.30 a.m

**RBD GAS**
Booking upto .......8/7/2018
Valid from..........29/06/2018
Stk ........................306(CTC)
Timing........7.30 to 10.00 a.m

**LAMBODARA GAS**
Booking upto .......10/08/2018
Valid from ........... 30/07/2018
Stk .................................306
Timing........7.30 to 10.00 a.m

**IMPHAL LPG**
Booking upto .......16/8/2018
Valid from...........5/08/2018
Sl. No. .....................21602
Stk ........................306
5kg available

**ASANGBI SUGNU**
Booking upto .......25/6/2018
Valid from..........23/06/2018
Stk ........................306
Timing........9.00 to 11.00 a.m

**ATHOKPAM INDANE**
Booking upto .......25/07/2018
Valid from ........... 9/07/2018
Stk ........................612(CTC)
Timing........6.00 to 10.00 a.m

**JEMON GAS, SINGJAMEI**
Booking upto .......2/7/2018
Valid from...........20/6/2018
Stk ........................918
Rate.................. Rs.998.50
Timing.........7.00 to 9.30am

*সনা–সুদোকু– ৭৭৩ গী সোল্যুস*

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 3 | 6 | 4 | 5 | 7 | 9 | 2 | 1 | 8 |
| 1 | 5 | 8 | 2 | 3 | 6 | 7 | 9 | 4 |
| 7 | 9 | 2 | 1 | 4 | 8 | 6 | 5 | 3 |
| 9 | 3 | 1 | 6 | 8 | 7 | 4 | 2 | 5 |
| 2 | 4 | 5 | 9 | 1 | 3 | 8 | 6 | 7 |
| 8 | 7 | 6 | 4 | 2 | 5 | 9 | 3 | 1 |
| 4 | 2 | 3 | 7 | 9 | 1 | 5 | 8 | 6 |
| 6 | 1 | 7 | 8 | 5 | 2 | 3 | 4 | 9 |
| 5 | 8 | 9 | 3 | 6 | 4 | 1 | 7 | 2 |

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-774**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 2 | | 8 | | | 7 | 3 | | |
| | 4 | | 8 | | | | | |
| | 7 | | | | | 9 | 6 | |
| | 6 | 5 | | | | | | |
| | 3 | 1 | | | | 6 | | 5 |
| | 2 | 9 | 6 | | | | 7 | |
| 6 | 9 | | | | | | 2 | 1 |
| | | | | | | | | |
| | | | | 5 | 1 | | | 6 |